থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঐগী লৈতাফম খঙদ্রবা ৱাখল - মমি

অপাবশিংনা তন্থবা পোল্লক্লদ্রা ? পানিংদবা ফাওরক্লদ্রা ? থম্মোয়সিনা মদোম হংজরকপনি। হন্দক-মরক তমজখিবা পাউদমসি মীয়াম্না থাজনা থাগোন্নজরিবা ওর্গনাইজ-রিলিজন খরদা ৱাহং হংবা, থাজদবা, য়ানিংদবগী খোন্থাং অমা য়াওখিবদুদা খল্লকপনি। পাউদম অসি চাং নাইনা পাবীবা, ঐবুসু শক খঙবিবা মরূপ অমনা ফোন তৌরকখি ...'পোপ্যুলর ওইবা ধর্ম্ম অহুমগী মমিংদি অপান্নবা পল্লগা বুদ্ধিজমবুদি পল্লমদ্রিবা করিগীনো' ...? অৱায়-অখুম তৌনবগী মওংদা খুন্থা পাউখুম নত্তবা, থম্মোয়-মপাউ ওইনা খুমজখি - 'বুদ্ধিজমদি ঐগী মীৎয়েংদা ওর্গনাইজ-রিলিজন ওইনা উদে.. ঐদি মসি হ্যুমেনিজমদা য়ুম্ফম ওইবা স্পিরিচ্যুঅল প্রাক্তিস অমা ওইনা উই'...। মাসু ৱা মখা তারকখিদে।

অতোপ্পা মরূপ খরনসু হায় ...'অসিগুম্বা কন্ত্রোভর্সিঅল ওইগদবা, মীগী থম্মোয়দা চক-চক থিনবা ৱাসি য়ারিবমখৈ ইরুরনু কৈদৌবগে ... নঙনা ফনা হায়রবসু তাগদবা/লৌগদবা লৈত্রবদুবু'...। ঐসু খঙই - অফাওবা ফিলোজোফরশিং, সোক্রেটিস, প্লেতো-এরিষ্টোটলদগী হৌরগা গান্ধিগুম্বনা হায়বা ৱা'ফাও লৌখিদ্রবা ময়ামসিনা, মখোয়না হায়রম'- ইরম্বশিংদু নীংশিংলগা তাশিন-খোমজিন ইজবনি, কনানসু ইৱা লৌবীরোই। অদুবু, ধর্ম্ম (রিলিজন)না মরম ওইদুনা, নুংশিনরম্বা নুংশিনরক্ত্রিবা, মালেমগী শান্তি থুগায়রক্লিবসিদি উরুগনু য়াদে, তারুগনু য়াদে। করিগুম্বা খরা হায়নিংলকই। থম্মোয় নীংঙাই কল্লকই। ইরোই খল্লবসু হেক্তা ইথোকখি। মালেমসিদা লাঙলিবা, হাৎনরিবা, শুনরিবা - করিমত্তনা থোকহল্লকপা নত্তে। ধর্ম্মনা মরায় চায়থরকপননি (ধর্ম্ম হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নজরিবা, 'লাইনিং-লম্বী'দু নত্তেকো, ৱাখল শেরান্নখিনি)। মালেমসিদা ধর্ম্মনা মরায় চায়থরক্লবা, অধর্ম্ম (ধর্ম্ম লৈতবশিং)না লাকশিল্লক্লবা মতম খুদিংদা, ধর্ম্মগী য়ুম্ফম থোন্নবা সাধুগী শক্লোন লৌদুনা ঐ অমুক শায়োল্লক্কনি ... হায়না শ্রীকৃষ্ণবু হায়হনখিবা, 'গীতা' ইবা মতমদুদদি মালেমসিদা কনাগুম্বা অমনা লিংখৎপা, কাঙলুপ নাইবা ধর্ম্ম (রিলিজন)গী য়ুম্ফম থোন্দরি। ৱাহৈশিংসি তারগা ঐখোয়না ঙসি খন্নরিবা ধর্ম্মগী কন্সেপ্ত অদু নত্তে, অইবদুনা ঐখোয়দা পীনিংখিবা পাউজেলদুদি। অল্লাহগী লাল্লোয়, কৃষ্ণগী লাল্লোয়, যিসুগী লাল্লোয়, খুৎপু খুৎপু শেল্লগা কুরুক্ষেত্রগুম্বা লাঞ্জাও অমা অমুক শোক্লনবা অমুক শায়োল্লক্কনি হায়বা নত্তে।

ঙসি, ঐগী পুক্নিংবু লাঙহল্লিবা, লাংতক্নহল্লিবা, লৈতাহন্দ্রিবা - ৱাখলশিং অসিননি। ৱাখলদুগী মমিনি ঐগী কলমসিদগী থোক্লকপা ৱাহৈশিংদা তারিবা। কনাগুম্বা কাঙলুপ অমত্তবু তাথি-তাওই খঞ্জদে। অদুবু, 'ঐগী লাইনীং লম্বীসিতনা লাইরৈবাক (স্বর্গ) য়ৌনবা লম্বীনি, অতৈ লাইনীং লম্বীদি 'নরক'তম্না চৎপনি' - হায়রিবা অমদি খল্লিবা মখোয় খরদুবুদি খম থেংনা ৱারৌই। মালেমগী শান্তি থুগায়বদা মকোক চিংলিবদু মখোয়নি।

হোয়! ঙসিগী মীরোলশিবু য়েংবদা, মথায় থায়না মমাংঙৈ, হৌখ্রবা মীরোলদুগী ৱাখলগী মীহুৎথোঙদগী য়েংগুমসি। দিস ইজ দ এজ ওফ সাইন্স! সাইন্টিফিক ওইবা মীৎয়েংদা অমুক য়েংলকসি। অফাওবা সাইন্টিষ্ট 'অলবর্ট আইনষ্টাইন'না হায় ... 'ধর্ম্ম য়াওদবা সাইন্সতুদি মখোঙ তেকপা মীগুম্বনি, অদুগা সাইন্স য়াওদবা রিলিজন'দুনা মমিৎ তাঙবা মী'। ৱাহৈশিংসি আইনষ্টাইননা 'থোত এপ্লাই' তৌদনা হেক্তা পঙহায় হায়জিনখিবা নত্তে। মুন্না খল্লগা শেল্লমখিবা ৱাহায়নি। খোঙসু তেক্লবা, মীৎসু তাঙলবা কনাগুম্বা, থৱায় পানবা অদুদি থৱায় পান্দবা নুঙদুম অমগা পাংখক্লি। কনাগুম্বা অমনা থাংদুনা মফম চানা থন্বা, নৎত্রগা থুগায়রগা শীজিন্নদ্রবদি চন্নফম খঙদবা।

হৌজিক ঐখোয়না হিংলিবসি সাইন্টিফিক এজ অদুদনি। থবক অমা তৌরমদাই, ৱাখলসিনা হেক্তা হংলকপা - থবক্তু মরম চাবরা? করিগী তৌদৌরিবনো ? রিজন এন্দ লোজিক ! অনীসি য়াওদবা থবক অমত্তা তৌরোইদবনি। ৱাখলসিনা কোকসিদা মতম চুপ্পদা ইনশিল্লি। মসিবু কৌই সাইন্টিফিক থিঙ্কিং। অদুগা, ধর্ম্ম ! (অমুক্সু হন্না নীংশিংজরি, কনাগুম্বা অমনা হৌদোক্লম্বদু নত্তে)। ধর্ম্মগী হৌরকফমদি থম্মোয়নি। অৱাবা-নুংঙাইবা-নুংশিবা-নুংওনবা ... পুম্নমক্কী হৌরকফম অমদি তুংনফম ! ফীলিং, ইমোসন, সেন্সিবিলিটিজ ... নুংশিবনা থিদে লোজিক অমদি রিজনিং। খ্বাইদগী ফাওবা সাইন্টিষ্ট, খ্বাইদগী ফবা কোক - মাসু নুংশিবা খঙলম্মী। মাসু কনাগুম্বী অমগী নুংশি ৱাখল খল্লম্মী। নুংশিবা মমা কায়নবদা অৱা-ৱাখল ফাওরম্মী। অদুবু, মহাক্কী কোক্তুনা লাম্বা ফংদে-করিগী নুংশি-ৱাখল ফাওরিবনো থম্মোয়দুদা ? উনবা নুপী খুদিংমক্কা, নৎত্রগা, থেংনরুবা নুপা খুদিংমক্কা নুংশিনবগী ৱাখল ফাওদনা কনাগুম্বী নৎত্রগা কনাগুম্বা অদুতগা শকউদবা লীচিং অমা ফাওরিবদু করিগীনো ? সাইন্টিফিক থিওরি নৎত্রগা লো অমনা মরম পীবা ঙম্মোই। অনীদুগী কেমিস্ত্রি করিনো ? কনানসু হায়বা ঙম্লোই।

'হ্যুমেন ব্রেন' করিনো ? 'ব্রেন'দা য়াওরিবা 'নিউরোন সেল' করিনো ? করম্না মথৌ পাঙথোকই ? হায়বনচিংবদু সাইন্সনা থিজিন-হুমজিন্দুনা পুথোক্লকই 'কম্প্যুটর'। মীথোয়-মীহেন লৈবশিংগুম, সুপর-কম্প্যুটর শেমগৎলকই। মীওইবনা তৌঙমদবা থবক কয়া, তৌবা ঙম্বা কম্প্যুটর কয়া পুথোকখ্রে। হৈ-শিংলবা মীওই চা কয়াগী মকোক, 'সুপর কম্প্যুটর' অমখক্তা পুল্লপ হাপচিনবা ঙম্লে।

অদুবু কদায় ? ঐগী-নঙগী অৱা-নুংঙাই হংবীরগদবা, কায়রবা থম্মোয় তাইশিনবীরনবা, ৱারৌরবা থম্মোয়বু থেমজিনবিরনবা, থম্মোয় পানবা কম্প্যুটরদুদি ? খঙই সাইন্টিষ্টশিংনসু - মদুদি কৈদৌঙৈদসু পাঙথোকপা ঙম্লরোইদবা মথৌদাংনি।

মরম অসিনা, মশানা মশাগী পুন্সিবু মশক তাকচবা ঙম্বা, মশানা মশাবু খঙজবা, কনাদসু হংদনা মশাগী ৱারেপ লৌজবা... অদুগুম্বা মীশক্তুনি ধর্ম্ম লৈবা লৌশিংবা। কনাগীসু মখা পোন্দবা নিংথৌরেল।

লৌশিং পুক্কে

# থজীন শাউগৎপা ঃ কমদৌনা ঙাকথোক্কদগে

চাকখাউগী লাইনিং নৎত্রগনা দ্যুদেনম কৌবা স্মোল ইন্টেষ্টাইনগী অহানবা শরুক্তা চাথখৎপদগী চৈনাখোল ফাওরকপবু পেপ্টিক অলসর হায়না খঙনৈ।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অলসর ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম পুথোকপা কনামত্তনা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মসিমদি ময়েক শেংনা খঙলে মদুদি চাকখাউ অমসুং দ্যুদেনমদা দাইজেষ্টিভ ফ্লুইদ (চাবা তুমহন্নবা মহী) কী খল মান্নরক্তবদগী অলসর ওইরকপনি।

অলসর ওইহল্লকপা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা হেলিকোবেক্টর পাইলোরি (ঐচ পাইলোরি) কৌবা বেক্টিরিয়া মখল অমনা ইনফেক্ট তৌরকপা অমসুং পেনকিলর হায়না খঙনবা চীকপা-নাবা ফহনবা হীদাক ননষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেমেটরি দ্রগ (এন এস ও আই দি) কা হেন্না শীজিন্নবা য়াওরি।

অলসরগী লাইওংশিং ঃ অলসরগী লাইওং উৎথোরকপা য়াই, উৎথোরক্তবসু য়াই। করিগুম্বা উৎথোরকপা তারবদি চাক লাম্বা মতম নৎত্রগা অহিংদা পুক্কী ময়ায় থংবা নত্রগা মথক থংবা শরুক্তা শাবগা লোয়ননা চৈনাখোল ফাওবা, চাক চাদ্রবসু পুক ইথন থনগৎপা মানবা, থবাক শাবা, ওন্নিংবা নৎত্রগা ওবা অসিনচিংবা য়াওগনি।


খরা হেন্না ফীভম শোকচিনখ্রবা মতমদা উৎথোরকপা লাইওংশিংদি মুশিন মুবা মচুগী খোঙ হান্থা, য়েংবদা কোফি মানবা ঈ ওবা, হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা, থজিন শৌগৎপা লোয়ননা পুক কন্না নাবা অসিনচিংবনি।

অয়াম্বা মতমদা মশা মথন্তা ফজখিবা তারবসু অলসরগী লাইওং উৎথোরকপা মতমদা থৌশাদবা, তরাইনা লৌবা তৌরোইদবনি। মতম চানা নীংথিনা লায়েংহৌদ্রবদি চাকখাউ হোবা, ঈ থোকপা, চাকখাউগা স্মোল ইন্টেষ্টাইনগা শম্নবা মরী ফুনবা য়াওনা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই।

লায়না অসিনা নারকপা য়াবা মীওইশিংদি হেলিকোবেক্টর পাইলোরি বেক্টিরিয়মনা ইনফেক্ট তৌরবা নৎত্রগা চীকপা-নাবগী হীদাক কা হেন্না চাবা নৎত্রগা ঈ মরীদা কনাগুম্বা মীওই অমা অলসর নাবা য়াওখ্রবা নত্রগা নুমিৎ খুদিংগী য়ু থকপা নৎত্রগা মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা নৎত্রগনা লিভর, কিডনি অমদি লংসকী অনাবা লৈরবা মীওইশিংনি।

অলসর লায়েংগী মরু ওইবা পান্দমদি, অহানবদা চৈনাখোল কোকহনবা, অনীশুবদা চাথৎলিবা মফমদু ওইশিলহনবা অমসুং অহুমশুবদা অতৈ খুদোংচাদবশিং থোকহন্দবা হায়বসিনি। মৈখু শীজিন্নবা লেপহনবা, য়ু থকপা তোকহনবা অমসুং পেনকিল্লর চাহন্দবা হায়বা রিস্ক ফেক্টর হন্থনবগী থৌরাং অসিনা লায়েং পথাপকী অহানবা খোঙথাংনি।

মথংগী খোঙথাংদি হীদাক থাবনি। অলসরগী মতাংদা অহানবা অমসুং ইচম-চম্বা হীদাক্তি এন্টাসিদনি। এন্টাসিদনা চাকখাউদা য়াওবা এসিদ ন্যুত্রেলাইজ তৌদুনা পুক নাবা, থজিন শৌগৎপা ফহল্লি। হীরমসিদা খঙ-হৈরবা দোক্তর অমগা তান্নদুনা তঙাইফদবা



হীদাক-লাংথক পুম্নমক চাং নাইনা অমসুং মতম শুনা চাগদবনি। মতম চানা লায়েংলবদি ইরায় লায়না ফহনবা ঙম্বা অনাবনি।

ইশা ইশানা লৌখৎচবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা মৈখু শিজিন্নদবা, য়ু থক্তবা অমসুং য়ারিবমখৈ চীকপা-নাবগী হীদাক, পেনকিল্লর চাদবা অসিনচিংবা য়াওরি। অলসর নারবা মীওইশিংনা নোংমগী মনুংদা ঙাইহাক-ঙাইহাক মতম কাইথোক্তুনা মেদিটেশন তৌরগা ৱাখল চরাংনবা কোকহন্নবা হোৎনগদবনি। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবসু কান্নগনি। হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা এন্দোর্ফিন কৌবা হোর্মোন মখল অমা রিলিজ তৌরক্তুনা ৱাখল নুংঙাইহল্লি অমসুং চৈনাখোল হন্থহল্লি।

পেপ্টিক অলসর হায়বসি মহীক্লা থোকহনবনিনা মসিবু ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন অমদি শোয়দনা পুথোরক্কনি। লম অসিদা থিজিন-হুমজিনবশিংনা য়াম্না কন্না ভেক্সিন পুথোক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক মরকসিদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাং খরা মখাদা পীজরি :

চারমদাই নৎত্রবসু অয়াম্বা মতমদা খুৎ-শা শেংনা হামদোক্কদবনি।

মৈখু শীজিন্নরোইদবনি। করিগুম্বা শীজিন্নবা তারবদি হৈনবী অসি থাদোক্লবা হোৎনগদবনি।

য়ু কা হেন্না থকপনা অলসর ওইরক্লবগী অচৌবা মরম ওইহল্লি। মরম অদুনা য়ু থকপগী হৈনবী থাদোক্কদবনি। কনাগুম্বা চীকপা নাবগী হীদাক চানা-চানা য়ু থকপা তারবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই।

তঙাই ফদবা অনাবা অমা লৈবদগী চীকপা নাবা ফনবা হীদাক চাবা তারবসু দোক্টরগা তান্নরগা চাকখাউ শোক্তনবা হীদাকসু চাগদবনি।

কোফী, কোমলা মহী অমদি খামেন অশিনবগী অচা-অথকশিংদা কেফিন অমদি এসিদকী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না পোৎলমশিং অসি চাং হন্থনবা হোৎনগদবনি।

ৱাখল চরাঙনবা মতমদা চাকখাউদা এসিদ হেন্না থোরক্তুনা অলসর ওইহল্লকই। মরম অদুনা নোংমদা মতম খরা-খরা কায়থোক্তুনা মেদিটেসন তৌবা কান্নগনি।


হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



য়াইসনা সোরাইজম, সাইতোন হৈয়াইকোন

মহৌশাগুম ঙসিসু অহোংবা লাক্ত্রি, লেপ্পসু লৈতে, লোইবসু নাইদে পোলিটিক্সকী চরাংনবা। পুম্নমক অনৌবা পোৎশকতি নত্তে। থোক্লিবা থৌদোকশিং মীপান তাংবগী হৈনবী অমসুং ৱাখল খন্থবা ৱাৎপদগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীপুম খুদিংমক অসুক ৱানরবা মতম অসিদা চরাংনবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরক্লিবসি লৈবাক্কী অফবা ওইরোই। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকশিং মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি। অদুবু লাইবক থীবদি লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অদু ঙসি ফাওবা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা মীওইশিংদা ইয়ৌ য়ৌদবগুম তৌরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা থবক তৌগদবা অখন্নবা টিম অমা শেমগৎতুনা য়েংশিনহনবা মথৌ তাই। অফ-ফত্ত খঙলিবা মীওইবনি। পুকচেল শেংনা, থৱায় য়াওনা অমত্ত ওইবগী থৌনাগা লোয়ননা চৎমিন্নরবদি অফবা চাওখৎপা লমদম অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না খনজে। লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশীং হেনগৎলক্লবসু লায়না অসিদগী মীয়ামবু কনদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোলদা অহীং-নুংথিল নাইদনা থবক তৌরিবা হেল্থ ৱকরশিং অমদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা ভলন্টিয়র ওইরিবা পুম্নমকপু ইকায়খুম্নবা উৎচরি।



অবদুল মনাল, মোইজিং

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীপুম খুদিংমক খম থেংনা ৱানরিবা মতম অসিদা মীয়ামগী ৱাখল খন্দবগী মওংদা লুচিংবশিংগী মরক্তা মুক্নরক্তুনা পোলিটিকেগী চরাংনবা থোকহল্লিবা অসি লৈবাক মীয়ামবু করেম্নবিরবরা হায়নসু খনদবা ঙমদে। নাকল অমরোমদা কোরোনাভাইরসনা লৈবাক মীয়ামবু কা হেন্না মীপাইহন্দুনা থবক শুফম-নোমফম খঙহন্দ্রে। লৈবাক মীয়ামদি নুং অনীগী মরক্তা হা ওইবা হায়বদু থোক্লে। লৈঙাক অমগী মখাদা পুন্না থবক তৌমিন্নরম্লগা খুদোংচাবা খরগীদমক চোংথোক-চোংশিন তৌনরক্লিবা অসি উবদা থায়না অহল-লমনশিংনা হায়নরম্বা মৱা চাকসু চাদা মপাম চাকসু চাদা হায়বদুমক থোক্লবরা খনজে। মীখলদা ভোট মশীং য়াম্না ফংদুনা মায়পাকখ্রবসু লৈঙাক শেম্বগী খুদোংচাবা ফংখিদবা তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়া ৱারৌজরম্বসু য়াই। অদুবু অমনা-অমবু লান্না উহন্নবা হোৎনবদি মেচ্যুওর ওইদে হায়না ময়েক শেংনা তাকপনি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি অসিগুম্বা থৌওং থোকহন্নিংদে।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## চার্লি মেমোরিএল মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামদা শিংজমৈ এ সীগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী পোজিসন লৌরকখ্রবশিং অমদি ফার্ষ্ট দিভিজনদা লাকপা মহৈরোয়শিংদা অনীরকশুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিএল মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

ন্যু দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, শিংজমৈনা শীন্দুনা ঙসি শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা পাঙথোকখিবা মনা পীবগী থৌরম অদুদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ফাউন্দর ও রোমেননা ফোঙদোকখিবদা, এগজাম অসিদা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা মনা অসি পীবনি। হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা হেন্না হোৎনহন্নিংবগী ইথিল পীনবা ৱাখল্লোন্দা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপগী মিংদা মনা অসি খুদোল তম্বনি। মহৈ-মশিনগী লমদা হিদান্নরিবা মতমসিদা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংনসু অহেনবা মহৈগী মঙাল তানশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহৈরোয়শিংনা এগজামদা মার্ক হন্থনা ফংই হায়দুনা পূক্নিং শোন্থবগী মহুৎতা হেন্না হোৎনগদবনি হায়খি।

## বি জে পিদা চঙলকখ্রবা থৌবাল এম সীগী কাউন্সীল্লরশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি ডা. সমা প্রসাদ মুখর্জিগী মপোক-কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কাউন্সীল্লর কয়া বি জে পিদা চঙলকপদা তরাম্না ওকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি বি জে পিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা অমনি। অসিগুম্বা নুমীৎ অসিদা পার্টিসিদা নৌনা চঙলক্লিবা মীওইশিং ওকপগী থৌরমসু পাঙথোক্লি। বি জে পিদা য়াওবা তারবদি পার্টি অসিগী কম্মিটমেন্ট ঙাক্লা চৎপা তাই। বি জে পিগী ওইবা চৎন-কাঙলোন কয়া অসি খঙনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা হায়খি, ডা. সমা প্রসাদ মুখর্জি বি জে পিগী য়াম্না মরুওইবা লুচিংবা অমনি। অসিগুম্বা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোনশিং ঐখোয়না খঙমিন্নবা তঙাইফদে। বি জে পিবু থাজবা থমদুনা চঙলক্লিবশিং তরাম্না ওকই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মনা পীরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): হৱাইবম নীলমনি নীংশিং মনা মীয়াম্না শকখঙনরবা সোরেনশংবম লখিকান্তদা মহাক্লা ঠিএটর চাউখৎনবা তৌরকপশিংবু শীংথাদুনা পীরগনি হায়না রূপমহল ঠিএটরগী সেক্রেটরি ঐচ অচৌবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চহী খূদিংগী জুলাই ৭, রূপমহলগী শঙলেন শঙ্গাখিবা নীংশিং নুমীৎতা লান্থোকপা মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সোল অমদি শকখঙ চে য়াওরি। মনা অসি হন্দক চহী অসিগীদি কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা অতোপ্পা খুদোংচাগদবা নুমীৎ অমদা খুৎশিন্নরগনি। হন্দক চহীগী ওইনা মনা অসি লখিকান্তদা শীন্নরগনি হায়নসু মখা তারি।

## গ্রেজ্যুএট অমদি অন্দর গ্রেজ্যুএটকী এগজাম মাস প্রমোসন পীবীয়ু : এন এস য়ু আই

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): গ্রেজ্যুএট অমদি অন্দর গ্রেজ্যুএটকী অহানবা চহী অমসুং অনীশুবা চহীগী এগজামিনেসন মাস প্রমোসন পীবীয়ু হায়না এন এস য়ু আই মণিপুরগী প্রসিদেন্ট পি বঙ্কিমচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা লৈবা এন এস য়ু আইগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা বঙ্কিমচন্দ্রনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মার্চ থাদগী লাইরিক তমদনা লাক্লিবসি য়েংলগা গ্রেজ্যুএট অমদি অন্দর গ্রেজ্যুএটকী অহানবা অমদি অনীশুবা চহীগী এগজাম প্রমোসন পীবীয়ু। ফাইনেল ইয়রগী ওইনসু মমাঙগী সেমিষ্টর এগজামশিংদা লৈখিবা পর্ফোমেন্স অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা কাহনবা য়ানবা থবক পায়খৎপীয়ু।

ষ্টেট খরদা এগজাম পাঙথোক্লুবা মতমদা মহৈরোয় কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী ৱাফম লৈরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈবনা ষ্টেট অসিদা কম্পিটিটিভ এগজাম অমত্তা পাঙথোকপীগনু। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফীগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্নরকপা থেংনরি। লাইরিক তমদবা ফীভমসি য়েংলগা ফী লৌবা লৌদবগী ৱাফম নৈনরি। প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফী অসি লৈঙাক্লা চাদা ৫০ পুথোক্লগা স্কুল ওথোরিটিনা চাদা ৫০ পুথোক্লগা ওজাশিংগী পেনচিংবা পীনবা থৌরাং অদুম্মক পায়খৎপা য়াই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনসু হীরমসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদসু খোঙথাং কয়া লৌখৎনখ্রে। প্রাইভেট স্কুল খরনা ফীগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপসু থেংনরি। ফীভম অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা কুপ্পা য়েংশিনফম থোকই হায়নসু মখা তাখি।

## হোম গার্দশিংগী ৱারেপশিং মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিন্নবা লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): হোম গার্দশিংগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা অমুক হন্না তকশিন্নবা লেপ্পখ্রে হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ ইনাওবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এসোসি-এসন অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌরক্লবা বট্টালিয়ন কম্মান্দর, ইম্ফাল ইষ্ট রাশিমুদ্দিন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী বট্টালিয়ন কম্মান্দর ইঙোচা, থৌবালগী অব্দুল্লে, বিষ্ণুপুরগী য়াকুপ অমদি বট্টালিয়ন ৱান লম্ফেলগী কম্পেনি কম্মান্দর লোমোন অমসুং বিষ্ণুপুরগী দিভিজনল কম্মান্দর তোলেনবু এসোসিএসনন্না তরাম্না ওক্তুনা ঈকায় খুম্নখ্রে। মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা হোম গার্দশিংগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা অমুক হন্না অইবা পীদুনা তকশিন্নবা লেপ্পখি। এসোসিএসন অসিনা হান্নসু লৈঙাক্তা হোম গার্দকী তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনরেল অমা হাপ্তুনা হোম গার্দকী থবক থৌরমশিং কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লবা শীনবীয়ু হায়জদুনা লাকখিবনি। থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লৈরকখিবনি। ঙরাং ফমখিবা মীফম্না অথুবদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা তকশিনবা হায়না লেপ্পখি।

## দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা লোকআউট ষ্ট্রাইক চঙশিনবা হৌরে : ফেদরেসন

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): তরেৎশুবা পে মপুং ফানা চৎনহল্লু হায়বা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা ঙসিদগী লোকআউট ষ্ট্রাইক চঙশিনবা হৌরে হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিস ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল শরতনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

পেন্সনর য়ুনিয়নগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এল শরতনা হায়খি, তরেৎশুবা পে য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা খোঙজং অসি চঙশিনবনি। কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা থবক তৌরিবা মেদিকেল অমদি অতৈ ষ্টাফশিংদি ব্লেক বেজ থেৎলগা মথৌ অদুম্মক তৌগনি। কুমজা ২০১৮দা এম ও য়ু সাইন তৌনদুনা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্তুনা লৈরি। ষ্টেট অতৈগা য়েংনবদা মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী পে অমদি এল্লাওৱেন্স অসি চাং য়াম্না নেম্না লৈরি। ওজাশিংগী ওইবা দিমান্দ কয়াসু পীথোক্তনা লৈরি। ডোক্তরশিংগী এন পি এগী ইস্যুসু নীংথিনা সোল্যুসন পুরকফম থোকই। তাল্লিবা দিমান্দশিং লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীরক্তবদগী খোঙজং অসি হৌরকপনি।

ব্লেক বেজ থেৎলগা খোঙজং চঙশিনবা হৌরবা মতুং লোকআউটকী খোঙজং চথবনি। সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসি মখা চথখিগনি। দি এ, দি আরনচিংবশিংগী মতাংদসু চাদা য়াম্না তাথনা ফংদুনা লৈরি। অতৈ ষ্টেট কয়াগা য়েংনবদা চাং য়াম্না নেম্না ফংলি। ইমপ্লোয়ীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং অদু তানবনি। পে ষ্ট্রকচর হায়বসি য়ুনিফোর্ম ওইহনগদবনি। অনী থোক্না লৈবা য়ারোই। ষ্টেট লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী পে অমদি এল্লাওৱেন্সকী মতাংদা লৈঙাক্লা থুনা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট এম রাজেন্দ্রো অমদি অতৈ থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): ঈ-পাউ তেংবাং লূপ মণিপুরগী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল পিবারেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককা খুৎশম্নদুনা চথখিবা কেম্প অদুদা মীওই ৫০ রোম্না ঈ কৎখি। লূপ অসিগী ৩লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ৯দা পাঙথোক্লগনি। ঙসিগী কেম্প অসিদা ঈ কৎখিবা দোন্নরশিংদা লূপ অসিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মখা তানসু মীয়ামগীদমক মতেং পাংখিগনি হায়নসু মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭। ০৭। ২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ৯.০৩ ফাওবা ইঙেলগী ১৭নি পাল্লি, মতুং ১৮নি পানগনি।



**মেষ:** অনিংবা থবক পাংগনি, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি, মীংচৎ ফংবা অমদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা ফংগনি। অয়েৎপা লৈরম্বা কোক্তুনা নুংঙাইজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নিংজবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**বৃষ:** হোয়া ফবনা অঙম্বগা মরি ফত্তবা অমদি খাংবা কন্দবনা লন ময়েং তাবগুম থোকপা য়াবা লৈগনি পুক্নিং পেন্না নুংঙাইবা পোকচবা লৈগনি। শেল থাদবদি য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মিথুন:** অরুবা থবক পাংদবা ফগনি নত্রগনা অখং অহৈগী ৱা তারগা পাংউ। হান্নদগী পাংলকপা থৌরমদদি অকাইবা লৈরোই, ইমুং মনুংগী ৱা তাবনসু হেন্না য়াইফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** পুক্নিং ফাথবা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কর্কট:** নিংবা শোইদনা থুংগনি, হকচাংসু খিংগনি অমদি ললোন ইতিক্কী লমদা চাওনা মাই পাকচবা নুমিৎনি। নচা ননাই নত্রগা নহৈ নশিংদা চাওনা ওইজবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।



**সিংহ:** ঙসিদি মতম মাংবা লৈতনা ওইজ ওইথক য়াম্না ফংজৌ হাইবা লৈরে। থিবা হুম্বা অমদি খাংবা কনবগী কান্নবা শোইদনা ফংজগনি। অচুম্বনা পাঙ্গলওইবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নিংজবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কন্যা:** লাই গুরুগী ৱা তাবনা থোইনা মাই পাক্কদবা নুমিৎনি অমদি মীয়ামগা লোইননা চৎপনা পুক্নিং হরাওনা নুংঙাইবসু ফংগনি। মীতোপ্পদি য়েংশিনবা লৈরি, কাওগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**তুলা:** হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, শেল থুমগী লমদা মাই পাকচবা অমদি খরা ৱারবসু মীয়ামগী মতেংদি ফংজৌ হাইবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎচরদি হেন্না ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশি মরি চেৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।




**বৃশ্চিক:** লৈফম অফবা ফংজবা, ৱানোম থৌনোম কান্নবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। অরং-অরাক অমদি মীংচৎ ফংজবসু লৈগনি। য়েক্লবনদি তাথি, খৎনরুনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।



**ধনু:** পুক্নিং ফাথৌ-নাইতোম অরুবা থৌ পাংগে খনগনু অমদি খন্থদনা মীতোপ্পা নত্তনা নক্লবনা ইন্সিনবা হেক্তা লৌগনু। লৌশিং চাওবগী ৱা লৌবা ফগনি। তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।



**মকর:** হরাওবা-নুংঙাইবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবনা চাওখৎপা ফংজগনি। অরুবা থবক লাইনা পাংগনি, নচা ননাইগী লমদা পুক্নিং পেঙ্গগনি । পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** থাজদনা নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কুম্বা:** নকম্থিনা নরল মাংহনবা অমদি নাপলনা নচা ননাই ময়েং তাহনবা য়াবা লৈ। ফিংগনু অমদি নোল্লুকপা কাওগনু। য়াকা য়েংনা চৎলু অমদি ৱা য়াম্না ঙাংদবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা।



**মিন:** শেল ফংগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি অনৌবা থৌরমদনা হেন্না খুমাং চাওশিনবা নুমিৎনি। পন্দুনা লৈরম্বসু কোকচরগনি, ঙাংবা শকপা হৈবনা মীংচৎ ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।